ফ্রী ঈ এন ঈ কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস): শিজ ইনফোর্মেসন সেন্টর, থৌবালদা ঙসি ফ্রী ঈ এন টি কেম্প পাঙথোকখ্রে হায়না শিজ হোস্পিটাল এন্দ রিছার্স ইনষ্টিট্যুটকী দেপ্যুটি মেনেজর-বিজিনেস দিভলপমেন্ট প্রেমজিৎ লৌরেম্বমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

অনাবা মীওই ৬৯ লোম লেম্না লায়েংখি। কেম্প অসিদা হিয়রিং টেষ্টনচিংবসু তৌখি। নাকোং, নাতোন, খনাওনচিংবগা মরী লৈনবা অনাবা মখল কয়া কেম্প অদুদা লায়েংখি। শিজ ঈ এন টি হোস্পিটাল সনাকৈথেলগী এসোসিএট কন্সল্টেন্ট ঈ এন টি সর্জন্ট ডা. তাওরেম মেধাপতিনা কেম্প অদুদা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, শিজ হোস্পিটাল এন্দ রিছার্স ইনষ্টিট্যুটকী দেপ্যুটি মেনেজর বিজিনেস দিভলপমেন্ট প্রেমজিৎ লৌরেম্বমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, শিজ আই ক্যের ফাউন্দেসনদা আই কেম্প অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। শিজ আই ক্যের ফাউন্দেসন্না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ফ্রী আই কেম্প অদুদা অনাবা মীওই ৮৭ রোম লায়েংখি। মদুগী মনুংদা মীওই ৯ কেটরেক্টকা মরী লৈনবা অনাবা ওইখি। অনাবা ২ না স্কুইন, অনাবা অমনা সলাজিওনগী অনাবগা মরী লৈনবা ওইখি। শিজ আই ক্যের ফাউন্দেসনগী কন্সল্টেন্ট ওপথামোলোজিষ্ট ৬ শরুক য়াখি হায়নসু মখা তারি।

লাইরিক ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস): ইরমদম মীয়ামগী অপূনবা খোর্জে লূপ (ইমাখোল) অৱাং পোৎশংবমনা শীন্দুনা ঙরাং মণিপুর হিন্দী পরিষদকী হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা লূপ অসিগী মেম্বর ডা. মোইরাংথেম মচা চাওরৈকনবনা ইবা *নুংগী মশক উৎলিবা কংলৈ হরাউবগী জগোয়* হায়না মিংথোনবা নাৎকী ওইবা লাইরিক অমা ফোঙখ্রে।

ইমাখোলগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ৱাহেংবম রোমেননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থৌরম অসিদা প্রোফেসর আই এস কাংজমনা অথোইবা মীথুং অমদি ইমাখোলগী প্রসিদেন্ট ডা. রাজকুমার গুনচন্দ্রনা থৌরম মপু ওইখি। ডা. মখোনমনি মোংশাবনা লাইরিক্কী মরমদা মরিক চুম্বা ৱাফম কয়া থমখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

পি ঐচ সীগী ফীভম য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস): সলাম মখা লৈকায়দা লৈবা পি ঐচ সীদা নিম্পালগী থৌমীশিং অমদি সলাম মৈরা পায়বীশিং পুন্দুনা সরপ্রাইজ ভিজিট চৎতুনা য়েংশিনখ্রে হায়না নোংচুপ ইম্ফাল পলেম ইমা অপূনবা লূপ (নিম্পাল)গী সেক্রেটরি জেনরেল শান্তি লৈমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ভিজিট অদুদা থেংনরকপা ডা. জেসিকা, ডা. ৱাংলেন উনদুনা ৱারী শানরকই। পি ঐচ সী অসি ডোক্তর অহুম, নর্স মরি, ষ্টাফ অনী পুই। ষ্টাফশিংগী এটেন্দেন্ট রেজিষ্টর চাং নাইনা তৌই। হীদাক্কী অৱাংপা লৈতে। অদুবু লাইবক থীবদি পি ঐচ সী অসিনা কোল্লিবা মফম সলাম লুকের কিয়াম থরোইজম, হাওরং, কৈরেং অমদি লৈতোং হায়রিবা খুল অসিদগী লাক্লিবা অনাবা পুম্নমক লায়েংলিবনি। নোংমদা অনাবা ১০/২০ দগী তাদনা লায়েংবা লাকই। অদুবু লায়েংবদা শীজিন্নবা খুৎশু-খুৎলায় মতিক চানা লৈতে। ফমুং মতিক চানা লৈতে। ফার্মাসিসু লৈতে। মফম অদুগী অকোয়বগী ফেন্সিং তৌদবনা মরম ওইরগা পোৎ মাঙবা থোকই। গাড়ী সেদকী খুদোংচাদবা লৈ। অৱাৎ-অপা লৈরিবা ময়াম অসি অথুবদা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মীৎয়েং চঙবীদুনা অনা-লায়েংগী মরমদা থৌদাং লৌবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

কার্দকী মপোক নুমিৎ

ৱাবগাই, দিসেম্বর ২৬: ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ৱাবগাই এরিয়াদা লৈবা তোঙান-তোঙানবা ক্লব ১২গী অপুনবা বোদি অমা ওইরিবা দ সিটিজিনস এসোসিএসন ফোর রুরেল দিভলপমেন্ট (কার্দ) ৱাবগাইগী ২৩ শুবা মপোকনুমিৎ থৌরম ঙসি ৱাবগাই ময়াই লৈকায়দা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা কৈরক ৱাবগাই ঝিল্লা পরিষদ মেম্বর এম জয়েন্তকুমারনা অথোয়বা মীথুং, কার্দ ৱাবগাইকী প্রসিদেন্ট এস ঐচথন্ফাজাওনা থৌরম মপু লোয়ননা ৱাবগাই গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান ৱাই হেমচান্দ অমদি অমুকোগী প্রসিদেন্ট নন্দো লুৱাংনা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱাবগাই জিল্লা পরিষদ মেম্বর এম জয়েন্তকুমারকা কৎপা, গার্দ ৱাবগাইনা কোনবা মফমশিংদা লৈবা অহল ওইরবা থবক্তগী পোত্থারবা ওজা ৩২দা কার্দকী মায়কৈদগী অচম্বা খুদোলপোৎ পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

মনিফা কুমজা ২০২০গী থৌরম মার্চ ২২ দা পাঙথোক্লগনি : ফিল্ম ফোরম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস): মনিফা (মণিপুর ফিল্ম এৱার্দ) কুমজা ২০২০গী মার্চ ২২ দা পাঙথোক্লগনি হায়না ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী চ্যেরমেন মঙ্গোলজাওনা ফোঙদোকখ্রে।

লম্ফেলদা লৈবা ফিল্ম ফোরমগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা মঙ্গোলজাওনা হায়খি, মনিফা অসি ৯লকশুবা ওইনা পাঙথোক্লবা শেম-শারে। কুমজা ২০২০ গী মার্চ ২২ দা পাঙথোক্তুনা এৱার্দশিং য়েন্থোক্লগনি হায়খি।

ফেষ্টিভেল দিরেক্টর ৱাই নিলাচন্দ্র অমদি মঙ্গোলজাওঅনীনা ফোঙদোকখিবদা, মমাঙ চহীশিংদা এস এস এস মনিফা হায়না পাঙথোক্লম্বা অদু মনিফা খক্তমক কৌরগনি। থৌনা অমদি এফ এফ এম খুৎশম্নরগা শীনবনি। বেষ্ট ওদিওগ্রাফি হায়বা এৱার্দ অমসু হাপচিল্লে। মসিগা থারগা এৱার্দ ২৭ শুরে। চহী অসিগী দিসেম্বর ২৭ দগী হৌরগা কুমজা ২০২০ গী জন্যুৱারী ফাওবা ফিল্ম এন্ট্রি তৌবা য়াগনি। থাজিনগদৌরিবা ফিল্মশিং অদু কুমজা ২০১৯গী জন্যুৱারী ১ দগী দিসেম্বর ৩১ ফাওবগী মনুংদা সেন্ট্রেল বোর্ড ওফ ফিল্ম সার্টিফিকেটনা সার্টিফাই তৌবা ওইগদবনি।

মনা য়েন্থোকপগী থৌরম অসি ককচিং চুমনাং পাৎতা লৈবা ককচিং দ্রামাটিক য়ুনিয়নদা পাঙথোক্কনি। বেষ্ট এক্টর নৎত্রগা সিঙ্গরশিংগী ইন্দিভিজ্যুএল লৌগদবা এৱার্দশিং অসিগী মিং মেনশিন্দ্রিঙৈদা আর্টিষ্ট অদুগী কন্সেন্ট লৌবীয়ু। চয়েৎনবা থোক্লবদি মদুগী থৌদাং প্রদ্যুসর অদুনা পুগনি। করিগুম্বা কন্সেন্ট পীরম্লগা ফঙ্কসন নুমীৎতা লাক্কবদি হায়নখিবগী মতুংইন্না মদুগী অফ-ফত্তা আর্টিষ্ট অদুনা পুগনি। মরমদি ফিল্মদা থবক তৌরিবা মখোয়গীদমক শীল্লিবা থৌরম অসিদা ওর্গনাইজরশিংদা হান্না পূক্নিং থৌগৎনবা অমদি থৌরম মপুং ফানবা ৱারেপ অসি লৌবনি। আর্টিষ্টশিং, এক্টরশিং, দিরেক্টর অমদি প্রদ্যুসরশিংনা থৌরম অসি মপুং ফাহনবদা মতেং পাংবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

এৱার্দশিংগী মনুংদা বেষ্ট মণিপুরী ফিচর ফিল্ম, বেষ্ট এক্টর ইন লিদিং রোল (ফিমেল), বেষ্ট এক্টর ইন লিদিং রোল (মেল), বেষ্ট দিরেক্টর, বেষ্ট স্ক্রিপ্ট, বেষ্ট ম্যুজিক দিরেক্টর, বেষ্ট প্লেবেক সিঙ্গর (মেল), বেষ্ট প্লেবেক সিঙ্গর (ফিমেল) বেষ্ট ইদিটিং, বেষ্ট মেক অপ, বেষ্ট কষ্ট্যুম, বেষ্ট ইদিটিংনচিংবা য়াওরি।

নিংথম কুঞ্জো শুমাং লীলা ফেষ্টিভেল - মঙানি চনবা

নিংথম কুঞ্জো শুমাং লীলা ফেষ্টিভেলদা *লৈক্রক্তা লৌউবা* উৎখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস): মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সীলনা শীন্দুনা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা চথরকপা ১৬ শুবা নিংথম কুঞ্জো শুমাং লীলা ফেষ্টিভেলগী ঙসি মঙানি চনবদা সনালৈপাক নাচোম আর্টিষ্টকী *লৈক্রক্তা লৌউবা* হায়না মিংথোনবা লীলা উৎখ্রে।

শুমাং লীলা ফোর হ্যুমেনিটি হায়বা থীমদা পাঙথোকপা শুমাং লীলা ফেষ্টিভেলগী মঙানি চনবদা উৎখিবা *লৈক্রক্তা লৌউবা* হায়রিবা লীলা অসি এস ঐচ হেমন্তনা দিরেক্টর ওইবনি। লীলা অসিগী ঈশৈ ময়েক্লা হোমেশ্বরি, এসিষ্টেন্ট দিরেক্টরদা ৱাই নিল্লচন্দ্র অমদি ম্যুজিক দিরেক্টরদা ইবোমচানি।

লীলা অসিগী শন্নপ্পা ৱারীদা মীওইবনা ফনা য়াম্না চাউখৎ লমজেলদা খুম্মাং চাউশিল্লবসু লাইরিক-লাইশু য়াম্না হৈদুনসু নুংশিবা, থকশি-খাশি, মরমদম, মমা-মপা, শেন্বী-শাবীরকপা মশক খঙদ্রবদি লাইরিক হৈরুবগী কান্নবা লৈতে। মখোয়গুম্বা মীওইশিং অদু শেমগৎলুবা, হোৎনরুবা মমা-মপাশিংদুদি লাইজ ঈশিং য়াওদ্রবা লৈক্রক চৎলবা লৌবুক্তা লৌউবগা পাঙ্খকনি। থোক্লক্কদবা ৱাথোক খুদিংমক ফৌহাম ঙাক্তা ওইরক্কনি হায়বা উৎপা লীলা অমনি।

লীলা অসিদা শক্তম লাংলিবাশিংদি নুপাদা নিংথৌরেন্বদা প্রফুল্লোচন্দ্র, সঙ্গাইজাওদা মঙ্গিয়াইমা, ইবোয়াইদা সোমোরেন্দ্রো, ঈশিংচাইবাদা দয়ানন্দ, নিংথেমজাওদা হেমন্ত, ইবোথোইদা নিল্লচন্দ্র, বোইচাদা কে ঐচ বোবিরঞ্জননি। নুপী শক্তম লাংলিবশিংদি ইবেমনুংশিদা ইন্দ্রজিৎ, শকহেনবীদা নরেশ, ইনাকখুনবীদা তোম্পোক, থোইথোইবীদা মালেমঙানবনি।

ঈশৈ-নোংমাইদা নুপা খোঞ্জেলদা জানেমন, নুপী খোঞ্জেলদা সনাতোম্বা, পেদ দ্রমদা রোসন কুমার, গিটরদা জোন্সন, বাঁসিদা থেনাও, কি-বোর্দতা রিঙ্গো মোইরাং, স্ক্রিপ্টতা রঞ্জিৎ নিংথৌজানি।

ঙসি পাঙথোকখিবা সনালৈপাক নাচোম আর্টিষ্টকী লৈক্রক্তা লৌউবা হায়না মিংথোনবা লীলা অসিদা লীলারোয়শিংনা মাগী মাগী রোলশিংগী পর্ফোমেন্স অঙন্না থাক্তা পীনখি হায়রি।

দিসেম্বর ২৯ গী রেল্লি হন্দোক্ত্রবদি খোঙজং চঙশিনগনি : অম্মকোক

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস): সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট শৌগৎপা ওইনা থা অসিগী ২৯ দা রেল্লি চৎকনি হায়না তৌরিবা অসি কন্দেম তৌই, হন্দোক্ত্রবদি অকনবা খোঙজং চঙশিনগনি হায়না মণিপুর মুস্লিম ওর্গনাইজেসন কোওর্দিনেটিং কম্মিটি (অম্মকোক)কী ৱাঙাংলোয় অব্দুর রজাকনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা অব্দুর রজাকনা হায়খি, সী এ এ শৌগৎতুনা বি জে পি মণিপুর ষ্টেটকী লৈঙাক পুরিবা অসিনা রেল্লি চৎকনি হায়না লাউথোক্লিবসি কন্দম তৌই। সী এ বিগী মায়োক্তা ঈহৌ কয়া হৌদুনা লাকখ্রবনি। চীফ মিনিষ্টরদসু সী এ বিগী মতাংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা তকশিনবা লৈখ্রবনি। সী এ এগী মায়োক্তা শৌগৎতুনা রেল্লি চৎকনি হায়বসি য়ানিংদে। মীয়াম্না পামদবা অসি মশাগী ওইজবগী খল্লগা চৎনবা হোৎনরিবা অসি কন্দেম তৌই। সেন্টর লৈঙাক কিবদগী নৎত্রগা হায়বা ইল্লি হায়বা উৎনবা অসিগুম্বা থৌওং অসি চথরিব্রা। রেল্লি হন্দাক্ত্রবদি খোঙজং চঙশিনগনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

লিলোং হাওরৈবী তুরেল অহনবীগী লন্বী অথুবদা কোয়লাস থাদুনা নীংথিনা শেমজিনবীয়ু : ফোরম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): লিলোং হাওরৈবী তুরেল অহনবীগী লন্বী অথুবদা কোয়লাস থাবীয়ু হায়না লিলোং দিভলপমেন্ট ফোরমগী জোইন্ট সেক্রেটরি অজ ৱারুদ্দিননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লিলোং কনষ্টিট্যুএন্সিগী মনুং চন্না লৈবা হাওরৈবী তুরেল অহনবীগী লন্বী অসি মতম কুইনা কোয়লাস থাগনি হায়না পাকা লৌরগা থল্লি। মসি অথুবদা কোয়লাস থাবীয়ু। লন্বী অসি চহী অসিগী জন্যুৱারী, ফেব্রুৱারীদা হান্না লৈজরম্বা কোয়লাস থাবা লন্বী অদু থুগায়রগা পাকা লৌদুনা চহী অমা চুপ্পা মপী-মপা লৈতবদৌনা তন্বীবা অসি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অথুবদা য়েংশিনবীয়ু। লিলোং য়াংবী লৈকায়গী লিতান থোংদগী হৌরগা লিলোং দাম ফাওবা কিলোমিটর ৮ লোম শাংবা লন্বী অসি ফীভম ফৎত্রে। এপ্রিল থাদা পাঙথোকখিবা লোক সভা ইলেক্সন মমাঙদা কোয়লাস থাবা লোইশিনগনি হায়না হান্না লৈরম্বা কোয়লাস অদু থুগায়রগা পাকা লৌখিবনি।

মতম কুইনা পাকা লৌরগা লৈরকপনা থারিবা নুঙশিং কাপথোকখিবনা কোমকুৎ কয়া শেল্লকপা অসিনা এক্সিদেন্ট থোক্তুনা মীশি-মীনা থোক্লবগী মরম ওইহল্লে। মসিদা নত্তনা বর্মা রোদকা শম্নরিবা কালৈখোং লন্বী অসিসু অসুক্কী মতিক ফীভম শোক্লে। উফুল য়াম্না হৌবা মরম্না লন্বীগী নাকলদা তারিবা য়ুমশিংদা অসুক্কী মতিক অৱাবা ওইহনবা অমদি মহৈরোয়শিংনা স্কুল চৎপদসু খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে। মসজিদ মোৎশিল্লকপনা নামাজ শোনবদা অৱাবা ওইরক্লে। নোং চুরকপা মতমদনা লৈখোমনা চৎপা য়াদবগী ফীভমদা লৈরে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

বেবিসনাগী লান্ন-থৌরম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস): বেবিসনাগী লান্ন-থৌরম থা অসিগী ২৮ দা ইমা ইবেন্মা খুন্থোকহনবী শঙলেনদা পাঙথোক্লগনি হায়না জে এ সী এগেনষ্ট মর্দর ওফ নিংথৌজম বেবিসনা চনুগী কনভিনর এল গ্যানেশ্বরীনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, বেবিসনাগী কেস অসি সী বি আইনা পায়দ্রিবা ফাওবা লান্ন-থৌরম পাঙথোক্লোই হায়না লৈরকপনি। সী বি আইনা কেস অসি পায়বগা লোয়ননা ইনভেষ্টিগেসন হৌখ্রে। বেবিসনাগী লান্ন-থৌরম থা অসিগী ২৮ দা পাঙথোক্লগনি। থৌরম অসিদা বেবিসনাগী ঈহৌশিংদা শরুক য়াখিবশিং, মহৈরোয় ওর্গনাইজেসনশিং, সী এস ওশিং, ইমা লূপশিং অমদি ফুরুপ খুদিংমক্কী মীওইশিংনা মতম চানা লাক্তুনা শরুক য়াবীয়ু। য়ুমথোঙ খুদিংগী চেবাও য়ৌহনবা ঙমখিদ্রবসু পাউচেগী থোঙদা পীরিবা পাউ অসিনা পেনবীয়ু। থা অসিগী ২৮দা থাংমৈবন্দদা লৈবা খুন্থোকহনবী শঙলেনদা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা শরুক য়াবীনবা ইমুং-মনুং অমদি জে এ সীনা হায়জরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী সেক্রেটরি সোটিনকুমার কন্দিসন য়াওদনা থাদোক্কদবনি: কাউন্সীল

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস): সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী সেক্রেটরি এল সোটিনকুমার কন্দিসন য়াওদনা থাদোক্কদবনি হায়না পাৎশোই লোকল কাউন্সীল সী পি আইগী সেক্রেটরি কোন্থৌজম বিরমঙ্গোলনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থা অসিগী ১৯ দা লেফ্ট পার্টিশিংনা ইন্দিয়া শিনবা থুংনা কৌখিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক্কী শরুক অমা ওইনা মণিপুরদসু লেফ্ট ফ্রন্টশিংনা থা অসিগী ১৯ গী অয়ুক পুং ৬ তগী নুংথিল পুং ৬ ফাওবা জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌখি। জেনরেল ষ্ট্রাইক অদুদা পামদবা থৌদোক অমত্তা থোকপগী পাউ লৈখিদে। চঙশিনখিবা খোঙজং অদুগী নোংঙাল্লগা সী পি আইগী ষ্টেট সেক্রেটরি সোটিনকুমারবু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ৱারী শানসি হায়না কৌরগা ফাজিনখি। বেলদা থাদোরক্লবা মতুং অমুক হন্না রিএরেষ্ট তৌখিবা থৌওং অসি সী পি আই পাৎশোই লোকল কাউন্সীলনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি। থৌওং অসি মীয়ামগী রাইটপু নমথবা থৌওং অমনি। অথুবা মতমদা সী পি আইগী ষ্টেট সেক্রেটরি এল সোটিনকুমার কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোক্কদবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

অমরোমদা, খুরাই লোকল কাউন্সীল সী পি আইগী সেক্রেটরি পি শরতনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থা অসিগী ১৯ দা ইন্দিয়া পুম্বদা লেফ্ট পার্টিশিংনা সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট চৎনবা য়ারোই হায়না প্রোটেষ্ট তৌখিবগী শরুক অমা ওইনা মণিপুরদসু জেনরেল ষ্ট্রাইক চথখি। জেনরেল ষ্ট্রাইক অদুগা মরী লৈননা পুলিসনা ফাজিনখিবা সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী জেনরেল সেক্রেটরি এল সোটিনকুমার কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোরক্লবা দিমান্দ তৌরি। থা অসিগী ১৯ দা পাঙথোকখিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক অদুদা মীয়ামগী লন-থুম অমদি লৈবাক্কী ওইবা লন-থুম অমত্তা মাঙহনখিবা লৈখিদে। দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা মতম-মতমদুগী পাল্লিবা লৈঙাক্না লৌরকপা ৱারেপতা য়ানিংবা অমদি য়ানিংদবা ফোঙদোকপা হায়বসি লিশাং-শিংনা চথদুনা লাক্লি। অথুবদা সোটিনকুমারবু কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোকপীরকউ হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

কাং-খোং চাইবা লৈতে : কাউন্সীল

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস): ৱাঙ্গোই ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী হাউজিং ফোর ওল কাং-খোং চাইবা লৈতে হায়না ৱাঙ্গোই ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী চ্যেরপর্সন এল ইবোতোননা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা ইবোতোননা হায়খি, তাঙ্কক নাইনা শেল কাপ্পি। ৱাঙ্গোই ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী হাউজিং ফোর ওলগী টাউন প্লান্নিং দিপার্টমেন্টনা অয়াবা পীরক্লবা বিনিফিসরি ১৬৭ গী মনুংদা চাদা ৯০গীদি মশা-মশাগী একাউন্টদা শেল কাপখ্রে। লেমহৌরিবা খরসি অথুবদা থবক ওইনা পাঙথোক্লবা হোৎনরি। মতম খরদি ঙাইবীয়ু। কনাগুম্বা অমত্তগী খুৎ চঙবা লৈতে। মথং-মনাও নাইনা শেল কাপ্লি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

এল মনি গৌরা সঙ্গীত একাদেমীগী ফাউন্দর গুরু লৈখিদবগী ৩১শুবা নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস): এল মনি গৌরা সঙ্গীত একাদেমী থৌবাল ৱাংখেমনা ফাউন্দর গুরু লৈখিদবগী ৩১শুবা নীংশিং থৌরম ঙরাং থৌবাল ৱাংখেম ময়াই লৈকায়দা লৈবা গুরু অসিগী পোক্লফমদা পাঙথোকখ্রে।

এল মনি গৌরা সঙ্গীত একাদেমীগী সেক্রেটরি নরহরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লাইনিং-লাইশোলনা মরাই চাইথরকপা হায়বা হীরমদা সিম্পোজিয়ম অমসু পাঙথোকখি। একাদেমী অসিগী লৈখিদ্রবা গুরুশিংগী মফমদা হৈরাং-লৈরাং কৎতুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। সিম্পোজিয়মদা রিছোর্স পার্সন ওইনা থিঙুজম মাইপাক, সিনিয়র গুরু লাইরিক থিবা, স্কোলার শামুরাইলাৎপম কুঞ্জবিহারী, সেক্রেটরি, রিজনল সেন্টর ফোর কলচরেল হেরিটেজ মণিপুরনা ৱা ঙাংখি। লাইনিং-লাইশোল মরাই চাইথরকপগী মরমদা মীয়ামদা ৱাফম কয়া থমখি।

মোদরেটর ওইখিবা নেসনল এৱার্দী লাইশ্রম বিজয়কুমারনা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক ঐখোয়না খঙমিন্নগদবসি ঐখোয়গী লাইনিং-লাইশোল চাউখৎনবা কনানা করি তৌখ্রে হায়বা অসিনি। ঈশা ফাওবা চুম্না লেপ্পা ঙমদনা ঐনা করিগী মীনা তৌবদা শীংথাদ্রিবনো। ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তা তাওরগা চৎলগদি মৈতে ঐখোয়না পামজনা চৎলিবা লাইনিং-লাইশোল খুদিংমক লৈখাতাখ্রগনি। অদুনা চেকশিনবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এম এল এ কৈশাম মেঘচন্দ্রনা চীফ গেষ্ট, এল এম জি এস এগী প্রসিদেন্ট এল শ্যামকিশ্বরনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। হুয়েন লাল্লোং মণিপুর থাঙ-তা কলচরেল এসোসিএসন, ইরিলবুংগী প্রিন্সিপাল কে সনাথোইবা অমদি এল এম জি এস এগী প্রিন্সিপাল নাওরেম গুলাপনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

চীফ গেষ্ট ওইখিবা এম এল এ, কে মেঘচন্দ্রনা হায়খি, এল মনি গৌরা সঙ্গীত একাদেমীনা চহী খুদিংগী লেপ্পনা গুরু কৃটন পাঙথোক্লি। অসিগুম্বা থৌরম অসি পূক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওই হায়নসু ফোঙদোকখি। গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা কে সনাথোইবনা ফোঙদোকখিবদা, লাইনিং-লাইশোল মশক খঙবা চঙই। মসি মশক খঙলবদি খুন্নাইগী ফগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ফোরেষ্ট মিনিষ্টরনা কেলেন্দর ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস): দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন অন্দ্রো কেন্দ্রনা পুথোকপা কুমজা ২০২০ গী কেলেন্দর ঙরাং ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টর থৌনাওজম শ্যামকুমারনা ফোঙখ্রে।

ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারগী ক্বার্টরদা ঙরাং পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা কেলেন্দর অদু ফোঙখি। কেলেন্দর অসিদা ফোরেষ্ট মিনিষ্টর শ্যামকুমারগী মীৎয়েং মখাদা পায়খৎখিবা তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়া য়াওরি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা ফোরেষ্ট মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা হায়খি, চহী খুদিংগী দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন অন্দ্রো কেন্দ্রনা ফোঙদুনা লাকপা কেলেন্দর চহী অসিগী ওইনসু ফোঙলি। মসিদা এ সী অসিগী মনুংদা পায়খৎখিবা তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়াসু য়াওরি।

খৃষ্টমাসকী থৌরমসু পাঙথোকখি। ফোরেষ্ট মিনিষ্টরনা কেক কক্তুনা থৌরম অদু হৌদোকখি। থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা ফোরেষ্ট মিনিষ্টর শ্যামকুমারনা হায়খি, খৃষ্টমাসনা লাকপদা ঈং-তপ্পা, তংদু-লৈতাবা পুরকপা ওইরসনু। শেংলবা নুমীৎ অসিদা ঐখোয় খুদিংমক্কী অমত্তা ওইবগী নুংশি-চান্নবা মরী অদু হেনগৎহনবা ওইরসনু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

লৈবাক মীয়ামগী ওইনা চাকহোং ঙাহোংনবা খুরাই অহোংপুঙদা থৌনি-থৌরম পাঙথোক্লগনি : লূপশিং

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস): চাকহোং-ঙাহোংনবা খুরাই অহোংপুঙদা থৌনি-থৌরম পাঙথোক্লগনি হায়না মাইচৌ নীংশিং লূপ খুরাই, লাইরেম্বী শিন্থা লূপ অমদি অৱাং সোইবম লৈকায় লৈমরোল য়াইফ লমজিং লূপনা পুন্না প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, খুরাই লাইফমলেন লমলেন অহোঙ্গৈ লাইনা থাবনি। খুরাই অহোঙ্গৈদা পুথিবনা হৈয়াচক মতমদা লৈপাক নিংথৌ ওইনা পানখিবা লৈশেম্লোন ৱারীদা লৈরি। নিংথৌ অসিগী মমোম লাইরেম্বী অনী শৌবোম য়ারেল চনু অমদি না খোঙনাং লৈনা খারৈ লৌবুক কুমদুনা লৌতাখি। লাইমোম ফৌ তাইবংগী চীঞ্জাক মরাং কায়না পুথোক্তুনা চাকহোং ঙাহোংনা পুথিবনা পানখি। লমদমসি অহোঙ্গৈ হায়না মীওইবা তাইবংনা খঙনদুনা ঙসি ফাওবা লৈরি। অকোয়বদা খুন্দারিবা মীতোপশিংনা লম খোপচিন্দুনা মখোয়গী লাইশঙ শাজিনবদা অহোঙ্গৈ লৈকায়, মীয়াম্না পূক্নিং চিংশিনখিদবদগী খুরাই অহোংপুঙ য়েলহৌমীশিংগী লাইফম মুৎখিবা য়াবা ঙকয়াদা লৈরি। য়েংহৈদ্রবা খুভম অসিগী ফীভম অমদি মসিগী লাইফম ৱারীগী ৱাঙুরোল অকাও পরৈ চনখিবনা ঙসিগী মালেম চীঞ্জাক ৱাৎপগী অৱাবা খম থেংলে। ইমোইনু ইমা লাংওন ওইরিবী লাইরেম্বী অনী নৌহৌনা নীংশিংনবা মীওইবশিংগী চীঞ্জাক, মনা-মশিং, উহৈ মরাং কায়না পুথোক্লিংবগী ইহুল থম্মোয়দা ফাওরক্লবা ইথিল পীবীনবা লাইনিংগী ওইবা থৌনি থৌরম খুরাই অহোংপুঙ অহোঙ্গৈদা পাঙথোক্কনি। অহোঙ্গৈ লৈকায়দা ওংবী আর কে সান্তা লৈমগী মালং পাউজেল থম্মোয়দা ফাওরকপা ৱাফম মীওইবশিংগী চীঞ্জাক পুথোক্লিংবগী ইহুল পীবীনবা থৌরম অসি থা অসিগী ২৭ তা পাঙথোক্কনি হায়রি।

‘ওজাশিংদগী শেল খোমগৎখিবা লৈতে’

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬ : ৱাকফ বোর্দকী ওজাশিংদগী কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা শেল খোমগৎখিবা লৈতে হায়না ওল মণিপুর মদ্রশা মোর্দানাইজেসন টিচর্স ৱেলফেয়র য়ুনিয়ন (এ এম এম এম টিদব্লিয়ু য়ু)গী সেক্রেটরি এন দি ইস্লাম খাননা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা মহাক্না মখা তানা হায়, নুমিৎ খরনিগী মমাংদা পাউচে খরদা মুস্লিম ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন মণিপুর, লিলোং কৌবা ওর্গনাইজেসন অমনা ৱাকফ বোর্দকী ওজাশিংদগী মীওই খরনা অকক্লবা শেল খোমগৎতুনা শায়েন-ঙায়েন্নখ্রে হায়না ফোঙদোক্লিবা ৱাফম অসি য়ুম্ফম য়াওদবনি। কনাগুম্বা মীওই অমৎতনা ওজাশিংদগী শেল খোমগৎখিবসু লৈতে। ওজাশিংনা পীখিবসু লৈতে। অসিগুম্লবা অরানবা পাউ শন্দোক্তুনা লৈবাক মীয়ামদা লান্না উহনবীরিবা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি অমসুং মদ্রসা মোর্দানাইজেসনগী রেগ্যুলর তাখ্রবা ওজা পুম্নমক্না কন্দেম তৌই।

মহৈ-মশিংদা শোথদুনা লৈরিবা কম্যুনিটি অসিবু চিংখৎপীনবগী পান্দমদা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা ওজা ১১৪বু রেগ্যুলর তাহনবীদুনা এদ্যুকেসনগী অচৌবা চৈঙাক অমা পীবিবগীদমক্তা লৈঙাক অসিবু থাগৎচরি। লোয়ননা ওজাশিং অসিবু রেগ্যুলর তাহন্নবা হোৎনবদা মোরেল্লি অমদি ফিজিকেল্লি মতেং তৌবীরকখিবা পুম্নমকপু ওজাশিংনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। মখা তানা অসিগুম্বা অরানবা ঈ-পাউশিং অসি মিদিয়াদা ফোঙবীদনবসু য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী অপিল তৌরক্লি।

এদ্যুকেসনল জিম ক্লবকী শঙলেন অমদি কম্যুনিটি হোল শঙ্গাদুনা খুৎশিন্নখ্রে

থৌবাল, দিসেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী খাঙবোক এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চন্না লৈবা ৱাংবল পার্ট-২গী এদ্যুকেসনেল জিম ক্লব (ঈ জি সী)গী নৌনা শাবা ক্লবকী শঙলেন অমদি কম্যুনিটি হোল ঙসি খঙাবোক এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ ওক্রম সূর্যকুমারনা শঙ্গাদুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে। থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱাংবল পার্ট-২গী পব্লিক প্লেগ্রাউন্দগী ফেন্সিংসু লোইদুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে।

শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা অথোয়বা মীথুং ওইনা শরুক য়াখিবা এম এল এ ওক্রম সূর্যকুমারনা হায়খিবদা, এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিবু চাউখৎপা এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অমা ওইনবা হোৎনবদা মৈ অমদি ঈশিংদা মপুং ওইবা থৌদাং লৌদুনা লাকপনি হায়রদুনা এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী অৱাৎ-অপা ময়াম অমসু লৈরম্বা য়াই অদুবু হৌজিক মৈগী ওইনদি খরা ফগৎলে হায়রদুনা এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী অহলশিংগীসু তানবা য়াবা তান্নরে। মৈগীদা খরা ফগৎলবনিনা ঈশিংগী অৱাৎ-অপাসি য়েংশিন্দুনা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টদসু হায়রগা ৱাৎলিবা পাইপনচিংবাশিংসু লাক্কদৌরিবা মার্চ থা মনুংদা লোইশিন্নবা হোৎনগনি হায়খি।

এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী তোঙান-তোঙানবা শনাবুংশিংসু প্রধানশিং য়াওনা শেমজিন্দুনা লাক্লি হায়রদুনা মথংগী এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী প্রাইয়োরিটি অসি ঈশিংদা পীরগে হায়না সূর্যকুমারনা ফোঙদোকখি।

নিংশিংবা য়াবদি খঙাবোক এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী ওইনা এম এল এ সূর্যকুমারগী মীৎয়েং মখাদা তোঙান-তোঙানবা লৈকায় অমদি খুঙ্গংশিংদা পাক শন্না মৈ থান্দুনা অমমবা অমৎতা লৈহন্দনবা থৌরাংশিং পায়খৎখ্রে অমদি এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী তোঙান-তোঙানবা লন্বীগী নাক য়েৎতা উ-চারা লিশিং ৫০০০ রোম হেন্না থাদুনা এম এল এগী মীৎয়েং মখাদা ইনভাইরনমেন্টসু কন্নবা হোৎনরিবনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ৱাংবল গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান ঐচ মণিচন্দ্র কন্স্ট্রক্সন কম্মিটিগী মেম্বরশিং ঐচ তিকেন, এ কে লিলা মৈতৈ, এ কে অথোই মৈতৈ, এস মণিচন্দ্র, এস থোংলেন মৈতৈ, ঐচ বিরেন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ব্লোক কংগ্রেস কম্মিটি থৌবাল অমদি কে বি সী সী অমসুং মহিলাগী মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি। ঙসি শঙ্গারিবা ক্লবকী শঙলেন অমদি কম্যুনিটি হোল অদু এম এল এ ওক্রম সূর্যকুমারনা অচংবা শেনফম খুদিংমক পুথোক্তুনা শাবনি হায়রি।

খৃষ্টমাস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৬ (ঐচ এন এস): এম বি সী সেন্টর চর্চ, ইম্ফালনা শীন্দুনা চিংমৈরোংদা লৈবা সেন্টর চর্চ অসিদা ঙরাং খৃষ্টমাসকী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা এম বি সী সেন্টর চর্চকী পাষ্টর জুনকামাং দাইমৈনা লুচিংদুনা মেম্বরশিংগা পুন্না যিশুগী মফমদা লাইশোন থৌরম পাঙথোকখি। সেন্টর চর্চ ইম্ফালগী মেম্বর কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

ADMISSION OPEN CLASS X REVISION Starts on 12th December 2019 11 am to 4 pm
FOUNDATION COURSE Class 3 to10 Starts on 19th Dec., 19 4:30 pm to 7:30 pm

MATRIC TOPPERS OF 2019

1st Position Bhumika Sh. Pitambara E/S
4th Position Minerva H. Brilliant P/S, Samurou
7th Position W. Ningthem Tiny Tots
8th Position Nongpoknganba L. St. Joseph
11th Position H. Rijando Memorial Model Academy Yairipok
12th Position M. Nerich Tiny Tots
13th Position Shubhalakshmi Th. Nirmalabas
14th Position K. Koklen Tiny Tots
14th Position Donita K. Nirmalabas
15th Position P. Roshni Donbosco Langjing
15th Position Bidya Raj Kh. St. Joseph
16th Position H. Rohen Little Master, Samurou
17th Position Th. Manglemba Modern Hr.Sec. Bishnupur
17th Position Jessica W. Nirmalabas
19th Position H. Aman Modern Hr.Sec. Bishnupur
29th Position Sinngam Kh. Catholic Canchipur
20th Position Celina Laishram Heritage Convent
21st Position N. Roshila Tiny Tots
24th Position Lamjingba Y. St. Joseph
24th Position Suchitra Kh. Nirmalabas

WINTER VACATION SPECIAL CAMP
Starts on 19 December 2019
CLASS I TO VII
CLASS I TO VII
Subjects : English - Maths - Meitei Mayek - Hindi & Spoken English
Timing : 6:30 am to 10:00 am
Tutors Teachers of Nirmalabas H/S, St. Joseph, Little Flower, Don Bosco, Christ Jyoti, Heritage Convent, Text Book writers & Former Head Examiners

7th MEGA MOCK TEST

Date	Sub.
13/01/20	English
15/01/20	S. Science
18/01/20	Maths
20/01/20	Science
22/01/20	Adl. Sub.
24/01/20	MIL

Last date of Form Submission 31/12/2019

SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS

PLEASE CONTACT : 7628946313 - 9402897710 - 8732022342 VAN AVAILABLE

HL-P/5855/4/12-4/01